Prepp
Your Personal Exams Guide

**101.** ইরোন নুংদসু তুমদবা মালেমদা তিল্লসু মাঙদবা লাইজসু ওনবা ঙমদবা হায়গী হায়রিবসি করিনো ?

(1) মিংচৎ নি। (2) মীওইবনি।

(3) ঈশ্বর নি। (4) হৈ-পাল লৈ-পালনি।

**102.** "বসন্তগী মতমদা শাৎপা লৈরাংগী মতৌগুম্না শিঙেন মচু মমেন্দি চৎখিগনি" হায়না কবিনা হায়রিবগী মরম করিনো ?

(1) হৈরাংনা কেনখিবনি। (2) মীওইবনা শিখিবা।

(3) লৈরাং লৈমন চনবা। (4) উচেক য়াৰানা পাইখিবনি।

**103.** মিংচৎপু কবিনা শৈরেং অসিদা করিগা চাংদম্নবগে হায়বদু ইয়ু।

(1) লিক্লাই পুখ্রিদা শাৎপা লৈরাং। (2) লিক্লাই পুখ্রিদা শাৎপা থরো।

(3) লিক্লাই পুখ্রিদা শাৎপা থম্বাল। (4) লিক্লাই পুখ্রিদা শাৎপা থারিকথা।

**104.** কোরৌ মতাং অমমা লোই-লোইনা মঙখি/মাঙখ্রিবা পোৎ অসি করিনো ?

(1) মিংচৎ। (2) পোৎ লোইননকনি।

(3) নুমিৎ থানি। (4) মীওইবনি।

**105.** সনা মনি হৎলগা মীওইবগী হকচাংবুনি হায়রিবা ৱাহৈ পরেং অসিদা মনি হৎপা হকচাং করি ওইনা মাঙখিবগে ?

(1) অকেনবা হৈ-গুম চৎখি। (2) নাপী-শিংনা ওইনা চৎখি।

(3) অকেনবা লৈ ওইনা চৎখি। (4) কাওশিং ওইনা চৎখি।

**106.** মখাদা পিরিবশিংসিগী মনুংদা করম্বনা গ্রামার মওং চুম্না তাকপগী থৌওং ওইদবগে ?

(1) গ্রাম্মার তম্নবা হোৎনবদা গ্রাম্মার পথাপশিংবু চিনফা পুননবা হোৎনবা।

(2) তশেংবা ৱারি ৱাতাই শান্নবশিং তাহন উহনবা।

(3) তমগদবা লোন্দুগী অচুম্বা গ্রামারগী পথাপসিং খঙহনবা।

(4) তম্লিবা লোন্দুদা ৱারি ৱাতাই শান্নবগী খুদোং চাবা পিবা।

**107.** মখাদা পিরিবা শিংসিগী মনুংদা পিরিবা ৱাফমসিগী ওইনা করম্বনা অচুম্বা নত্তবগে ?

রাইম্স (Rhymes) পাহনবা, ইশৈ শকহনবা অমদি হায়হনবনা অঙাংশিংদা

(1) ৱাখল ফজনা ফোঙদোকপা অমদি ৱাহৈ পরেংশিংগী রিদম (Rhythm) চুম্না ঙাঙ্ননবনি।

(2) ৱাহৈ ৱাতা খঙবা হেনগৎহল্লি।

(3) ৱাহৈ অমদি ৱাহৈ পরেংশিং নিংশিংহল্লি।

(4) খোম্থোক চুম্না হায়বদা মতেং পাংঙি।

**142.** মঙাসুবা ক্লাস্কি ওজানা মহৈরোয়শিংদা ৱারী অমা থুনা পারগা মদুগী মতুং ইন্না অয়েকপা লাই মরিদু মথং মনাও নাইনা থম্লনবা হায়রম্মি। মসিগী থৌওংসিনা -

(1) মখোয়না ৱারিদুদা য়াওবা অনৌবা অমদি অরুবা ৱাহৈ ৱাতাশিংদু হন্না পাহন্নবনি।

(2) অয়েকপা লাইশিংদু পরেংশানা থম্লনবনি।

(3) মখোয়দা ৱারিদুগী মচং ওইবদু খঙ্গনবা পাবা তমহনবনি।

(4) মখোয়দা ৱারিদুদা য়াওবা অকল্লবা পাউদম খঙ্গনবা পাবা তম হনবনি।

**143.** হোল লেংগ্বেজ এপ্রোচ (Whole language approach) হায়বসি -

(1) খোম্থোক্কময়েক্কা লৈনরিবা মরিদু উৎপনি।

(2) ৱাহম্থোক্তা য়ুমফম ওই।

(3) মহৈ মশিংদা য়ুমফম ওই।

(4) খোম্থোক অমগা অমগা পুন্সিন্নবনি।

**144.** ফাউন্দেসনেল স্তেজতা (Foundational Stage) লাইরিক তম্বিবদা চঙগদবা এসেসমেন্ত তুল (assessment tools) অমদি প্রোসেস (processes) সিংসি শেমগৎনবা হোৎনবদা -

(1) ওজানা মহৈরোয়পুম্বগী অখং খংদা য়েংশিন্নবা চপচাবা মখলগ অমাগী মেথোদ অমা শিজিন্নবা য়াই।

(2) মহৈরোয়শিংগীদমক অকল্লবা চাংয়েং শিজিন্নবনা হেন্না চান্নগনি।

(3) অঙাংনা লাইরিক তম্লনবা হোৎনবদা থৌওংশিংসিনা মহৌশানা শন্দোকচরকপগা পাংখকনি।

(4) মহৈরোয় অমাগী অখং খংদগী চাংসি ক্লাস্তা তম্লিবা অপুনবা মহৈরোয়গী অখং খংদগা চাংদমনদুনা খন্না নৈনগদবনি।

**145.** অঙাংশিংদা লোন অমদি কোগনিতিফকি (Cognitive) হৈবা হেনগৎহনবা হায়বসি -

(1) অঙাংশিংদুনা লৈরিবা কাঙলুপ অমদি নাত্তুগী য়াম্না নকুবা মরি লৈনৈ।

(2) স্তিম্যুলস-রেসপোন্সকি (Stimulus-Response) প্রিন্সিপল অমদি মতৌ তম্বগী প্রোসেসকা (Process) মরি লৈনৈ।

(3) মীওইবদা লোন খঙ্গনবগীদক্তা মচাক অমা পোকপদগী য়াওজরকই।

(4) লোন অমদি কোগনিতিফকি হৈবা হেনগৎলকপগা মরি অমত্তা লৈনদে।

**146.** মসিগী লাইরিক পাবাগী মওংসিদা তমবদা খঙ্গনবা অকল্লবা পান্দম অমদি থৌওং খরালৈ। মদুদি মহৈরোয়শিংনা তেক্স (Text) পাননবা হায়দুনা পুক্লিং চংনা অমদি কুপথনা পাগদবনি। মসি __________ নি।

(1) পানিংনা পাবা (2) পাকশন্না পাবা (3) কুপথনা পাবা (4) শেন্নদুনা পাবা

**147.** পারা তাকপা হৌগৎলকপদা ওজানা ক্লাসতু কাঙলুপ থোক্লা খায়দোক্তুনা মহাক্লা মখোয়দা নুংঙাইবা পাউচেগী আরটিকল (Article) অমা পাহন্বদুগী মতাংদু ৱা ঙাঙননবা হায়রম্মি। মসিগুম্লবা ৱা ঙাঙবগী থৌওংসি __________ কি/গীনি।

(1) এক্তিভ লিসনিং (Active Listening)

(2) লন্তনা ফজনা ৱা ঙাঙবা হৈননবা

(3) অকক্লবা মখলগী ৱা ঙাঙবা হৈননবা

(4) তাক্লগা ৱা ঙাঙবা হৈননবা

**148.** প্রাইমারি (Primary) থাক্কি অঙাংশিংনা কয়াম্মুক পাবা হৈরবগে হায়বদু খঙননবা লোন তম্বিবা ওজানা করম্বাদা খ্বায়দগী মরুওইনা অকুপ্পা মিৎয়েং থমগদবগে ?

(1) মমুৎ তানা খঙনা পাবা ঙম্বদা।

(2) ময়েক খন্দোকপা ঙমবদা।

(3) পংচুৱেসন (Punctuation) শিজিন্নবাদা।

(4) থুনা য়াংনা পাবা ঙম্বদা।

**149.** লোন তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা ৱাহৈ ৱাতা অমদি গ্রামারগী (grammar) পথাপ ময়াম অমা চিনফা পুনবা হোৎনরম্মি। হায়রিবসিংসি অয়াম্বনা মশাগী মমালোন্দা তৌরম্মি।

ওজাসিনা লোন তমফমদা তৌরিবসি করম্বা মেথোদ (method) শিজিন্নরিবনো ?

(1) গ্রামার ত্রান্সলেসন (Grammar Translation)

(2) দাইরেক মেথোদ (Direct Method)

(3) নেচরেল এপ্রোচ (Natural Approach)

(4) কম্যুনিকেতিফ তিচিং (Communicative Teaching)

**150.** ক্লাস্তা লাইব্রিক তাকপগী শরুক অমা ওইনা অনম্বা লাইব্রিক্তা ওদিয়ো বুক (Audio books) অমদি নৌরিবা অঙাংশিংগী মখুৎ মশা শিংগৎহনবদা য়ুমফম ওইদুনা শেম্বা লাইব্রিকসু তাকপদা য়াওহনগদবনি মরমদি -

(1) মসিগী লাইব্রিকশিংসিনা ওজাদা অহেনবা পোৎলুম হাপকৎলোই।

(2) মসিনা ক্লাস্তা মখল মথেলগী খুতাক য়াওশিল্লকই অমসুং অঙাংশিংদি মখল মথেল পামজৈ।

(3) মসিনা ওজাদা মখল মখাগী লাইব্রিক শিজিন্নদুনা অঙাংসিংগী অৱাৎ অপা য়েংশিনবদা নিংতম্বা পি।

(4) মসিনা তোঙান তোঙান মহৈরোয়শিংনা মখল কয়াগী পাবা ফঙবগী খুদোংচাবা পি।

- o O o -

